চীফ মিনিষ্টরনা মীদিয়া পর্সনশিংগী কোভিদ-১৯ থেংনরিবা ফ্রন্টলাইন ৱর্কর ওইনা লাউথোক্তুনা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোক্লবা অয়াবা পীখ্রবা মতুংদা ককচিংদা য়ুম্ফম ওইবা ইমেজ টি ভি ককচিংগী ষ্টাফশিং কোভিদ ভেক্সিন কাপখিবা

Theme :
Vaccinate all eligible
Venue :
Date :
by :
লামায় ৪

কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভ লাকশিন্নবা লৈঙাক্লা লাউথোকখিবা কর্ফিয়ু মনুংদা লন্নাই মীওইশিংনা কর্ফিয়ু ঙাক্লা চৎলিব্রা হায়বদু খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা মণিপুর পুলিসকী পর্সনেলশিংনা য়েংশিনখিবা

ককচিংদা লৈবা খা মণিপুর কোলেজদা ফমুং ৬০ লৈবা কোভিদ ক্যের সেন্টর অমা হাংদোক্লনবা এম এল এ ময়াংলম্বম রামেশ্বরনা ওফিসলশিংগা লোয়ননা য়েংশিনখিবা

ককচিং এ সীগী কন্টেনমেন্ট জোনশিংদা লৈরিবা ইমুংশিংদা মণিপুর পুলিস হাউজিং কোওপরেসনগী হান্নগী এগজিক্যুটিভ এঞ্জিনিয়র ওইরম্বা য়েংখোম নিলাচন্দ্রনা চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাঙখিবা

মণিপুরী সাহিত্য পরিষদনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মে ১১ (ঐচএনএস):

মণিপুরী লোল অমসুং সাহিত্যবু চাউখৎননবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌবীরম্বা অইবা অনী তোপ খোংনাংখোংদগী ৱারেপ্পম যুগিন্দ্রো অমসুং অৱাং পোৎশংবম খুনৌদগী কেশো ইরেংবানা লৈখিদবদা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুরী সাহিত্য পরিষদকী জেনরেল সেক্রেটরি এলাংবম প্রিয়ব্রতনা থাদোরকপা চেরোল অদুনা হায়, লৈখিদ্রবা ৱারেপ্পম যুগিন্দ্রো হন্দোকপগী লমদসু খুৎ থারম্বদা নত্তনা মণিপুরী নট সঙ্কীর্ত্তনগী শৈশকপা অমসু ওইখি। মহাক্লা ইবা অঙাংগী ৱারীমচা ৪০ হায়বা লাইরিক্তা সাহিত্য একাদেমী ন্যু দেল্লীনা কুমজা ২০১৭তা বাল সাহিত্য পুরুস্কার মনা পীদুনা ঈকায় খুম্নখি। অইবা কেশো ইরেংবা ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালগী ঈশৈ ময়েক ইবা অমসুনি। মহাক ইমাখোল অৱাং পোৎশংবম সাহিত্যগী লূপ অসিগী ফাউন্দর সেক্রেটরিসু ওইখি। মহাক্লা হিংলিঙৈদা লাইরিক ১০ ইদুনা মণিপুরী সাহিত্যদা খুদোল তল্লম্মী। মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ ইম্ফালগী লাইফ মেম্বর ওইবীরম্বা অমদি পরিষদ অসিগী থৌদাং কয়াদা শরুক য়াবীরম্বা লমদমসিগী শক্লাইরবা অনীনা লৈখিদবা অসি মণিপুরী লোল অমসুং সাহিত্যদা মতম শাংনা মেনখৎপা ঙম্লরোইদবা মাঙজবা অমনি। শক্লাইরবা অনী অসিনা লৈখিদবদা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ ইম্ফালনসু অৱাবা ফোঙদোকচরি অমদি লৈখিদ্রবা অনীগী থৱায়না তাইবং শেম্বা মপুগী মফমদা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবা থৌনিজরি। লোয়ননা লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংনা নংহৌরিবা অৱাবদসু শরুক য়াজরি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

মীদিয়াগী মীওইশিং ভেক্সিন কাপথোকখ্রে

ককচিং, মে ১১ (ঐচএনএস):

মণিপুরদা ঈ-পার্ডগী লমদা মথৌ তৌরিবা প্রিন্ট অমদি ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়াগী মীওইশিংবু মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা কোভিদ-১৯ থেংনরিবা ফ্রন্টলাইন ৱর্কর ওইনা লাউথোক্তুনা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোক্লবা অয়াবা পীখ্রবা মতুংদা ঙসি ককচিংদা য়ুম্ফম ওইবা ইমেজ টি ভি ককচিংগী ষ্টাফশিং অমসুং অতোপ্পা মীদিয়া ফার্ম খরগী মীওই খরসু ভেক্সিন কাপখ্রে।

মণিপুরগী খা মায়কৈদা লৈরিবা, মতম শাংনা ঈ-পাউগী লমদা মীয়ামগী থৌগল তৌরক্লবা ইমেজ টি ভিগী ষ্টাফ ২৫দা কোভিদ ভেক্সিনেসন তৌনবা হোৎনবদা ককচিং এ সীগী এম এল এ ময়াংলম্বম রামেশ্বরনা চাউনা মতেং পাংবীরকপগীদমক ইমেজ টি ভি ককচিংগী ষ্টাফশিংনা এম এল এবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

য়ূ লিটর ১৫০গা কোন্ননা মীওই ২ ফারে

ইম্ফাল, মে ১১ (ঐচএনএস) :

ঙসি অয়ুক পুং ৯.২০ লোম তাবা মতমদা য়াইরিপোক পুলিস ষ্টেসনগী ইন্সপেক্টর এম দি রিয়াজ খাননা লুচিংবা টিম অমনা হৈত্রোইপোকপী চীংলক্তা কোভিদ-১৯ পেন্দেমিক অমদি কার্ফিয়ু থল্লিবা অসিগা মরি লৈননা লম্বীদা অচৎ-অওক চেক তৌদুনা লৈরিঙৈদা স্বিফট কার এম এন ০২ সী/০৭৪৬ অমদি এফ জেৎ বাইক এম এন ০৪/৭৭৯৪ অমগা খামদুনা চেক তৌবদা য়ূগা কোন্ননা মীওই ২ ফারে হায়রি।

য়ূগা কোননা ফারবা মীওই অনী অদুদি কোমলা চীংখোংদগী থৌদাম ইঙোচা (৩০) অপোকপা টিঐচ কুবের অমদি অন্দ্রো খুনৌদগী শমজেৎশাবম ইঙোচা (৩২) অপোকপা এস খুতেনি। মখোয়দগী য়ুঙৌ লিটর ১৫০ ফাগৎখি। য়ুশিং অদু তোঙান-তোঙানবা বোটলদা হাপ্লম্বতা নত্তনা অচৌবা প্লাষ্টিক খাউ মরী অমসু হাপ্লগা পুরম্বনি হায়রি।

য়ুগা কোননা ফারবা মীওইশিং অদু য়াইরিপোক্কী এক্সাইজ ও সীদা লোগী ওইবা থবক লৌখৎনবা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

এম এস পি দি সী এলগী কন্ট্রেক্ট ইমপ্লোয়ীশিং সোসল সিক্যুরিটি কভর তৌবীয়ু : য়ুনিয়ন

ইম্ফাল, মে ১১ (ঐচএনএস):

কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভগী শাফু মরকসিদা এম এস পি দি সী এলগী কন্ট্রেক্ট ইমপ্লোয়ীশিংনা মীয়ামগীদমক্তনি খন্দুনা হনবা লৈতবা থৌনাগা লোয়ননা পৱার সপ্লায় লেপ্তুনা পীননবা চেন-চোংজরি। এম এস পি দি সী এলগী কন্ট্রেক্ট ইমপ্লোয়ীশিং সোসল সিক্যুরিটি কভর তৌবীয়ু হায়না এম এস পি দি সী এল এনগেজ ইমপ্লোয়ীজ য়ুনিয়নগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

এম এস পি দি সী এল এনগেজ ইমপ্লোয়ীজ য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট চনম গ্যানেননা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, এম এদ পি দি সী এলগী কন্ট্রেক্ট ইমপ্লোয়ী কয়া অমদি করিগুম্বা মখল অমত্তগী সোসল সিক্যুরিটি কভর তৌদনা অশিবা মীনা মাঙজবগী মওংদা লৈরিবনি। খুদম ওইনা পল্লবদা কম্প্যুটর ওপরেটর, এম আর সী বি দিশিং অসি কন্ট্রেক্ট বেসিসতা লৈবা ইমপ্লোয়ী ২০গী মথক্তা এনগেজ তৌবগী মরম্না লেবর মিনিষ্ট্রিগী মখাদা চলাইরিবা ইমপ্লোয়ীজ প্রোভিদেন্ট ফন্দ ওর্গনাইজেসনগী ঈ পি এফ ফাওবা য়াওহন্দনা হৌখিবা কুমজা ২০১৫দগী ইমপ্লোয়ীশিং অসি অপীকপা খুৎশুমলদা শীজিন্নদুনা লাক্লি। তঙাইফদ্রবদি মখোয়শিং অসি থবক লেপখ্রবদি প্রিপেদ মিটর রিচার্জ তৌবা য়াওনা মখল খূদিংগী ওপরেসন লেপ্পা তাবনি। কোভিদকী লাইচৎ মরকসিদা হনবা লৈতনা এম এস পি দি সী এলগী ইমপ্লোয়ীশিংনা খুন্নাইগী কথোক্তুনা লাকচরি। অদুবু শোকচিল্লক্লিবা লাইচৎ অসিগী ফীভম য়েংবীদুনা ইমপ্লোয়ীশিং অসিগী সোসল সিক্যুরিটি পীবীনবা লৈঙাক অসিনা মথৌ তাবা থবকশিং পায়খৎপগী মতম হেনখ্রগনি হায়জনিংই। হীরমসিগা মরী লৈননা ঈ পি এফ ওনবসু এম এস পি দি সী এলদা হন্না হন্না অইবা চেরোল থাদুনা খঙহনখিবা লৈখ্রবনি। অদুবু ঈশিংদা লৈতুম থাদবগুম থন্বীরিবা অসিদি মীনুংশি হায়বদু শরুক অমা ফাওবা য়াওদ্রবরা ইমুং-মনুংগী মীওইশিং অমদি খুন্নাইনা শোয়দনা হংলক্কনি।

ফ্রন্টলাইন ৱর্করশিং, ডোক্তর, নর্স, মীদিয়াগী ইচিল-ইনাওশিং পৱার সপ্লায় য়াওদ্রবদি করি কমদৌবা। মীওইবগী পুন্সিদা থেংনরিবা পেন্দেমিক্কী লানফমসিদা কমদৌনা থেংনগদৌরিবনো। পৱার সপ্লায় পীগদৌরিবা ইমপ্লোয়ীশিং অসি রোবোট নত্তবনা শোয়দনা লায়না অসিগী মৈৱাইরকপদা মৈরানবী ওইবা হায়বদুমদি শোয়দ্রে। পোকপা শিবগী লংদাইদা থবক শুজরিবা কন্ট্রেক্ট ইমপ্লোয়ী ঐখোয়না কথোকপা অমগা লোয়ননা হনবা লৈতনা মীয়ামগী থৌগল তৌসি। ইমা লৈবাক্কী থৌগল তৌসি। কনানসু ঐখোয়গী ফংফম থোকপা রাইট মৎপা ঙম্লোই।

লৈঙাক অমদি এম এস পি দি সী এলগী মকোক থোংবশিংনা সিক্যুরিটি অমফাওবা য়াওদনা অপীকপা খুৎশুমলদা থবক শীজিন্নরিবা কন্ট্রেক্ট ইমপ্লোয়ীশিং খুদত্তগী সোসল সিক্যুরিটি হায়বদি ঈ পি এফনচিংবা কভর তৌবীনবা আপীল তৌজরি। ষ্টেট অসিদা লৈরিবা ঈ পি এফ ওনসু শক মায় য়েংদনা খুৎ থাবীগদবনি। নৎত্রবদি খূদিংমক্কী তায়নফম ঈ পি এফ ও অমদি এম এস পি দি সী এলনা পুবীগদবনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

এম য়ুগী ভি সী এপোইন্ট তৌবীনবা ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্টতা অইবা চেরোল থাখ্রে : এ বি ভি পি

ইম্ফাল, মে ১১ (ঐচএনএস):

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর (ভি সী) এপোইন্ট তৌবীনবা ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্টতা অইবা চেরোল থাখ্রে হায়না অখিল ভারতিয়া বিদ্যার্থি পরিষদ (এ বি ভি পি) মণিপুরগী ষ্টেট সেক্রেটরি আর কে রবিচন্দ্রনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, কুইরবা মতমদগী মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা রেগ্যুলর ভি পি অমা লৈরক্তবনা মরম ওইরগা য়ুনিভর্সিটি অসিগী সিনারিও অমদি এদমিনিষ্ট্রেসনদা থোইদোক্লা খুম্মাং চাউশিনবা ঙমদনা লাক্লি। মিনিষ্ট্রি ওফ হ্যুমেন রিসোর্ছ দিভেলপমেন্ট (এম ঐচ আর দি)না কুমজা ২০২০গী ফেব্রুৱারী ২১দা প্রোফেসর অধ্য প্রসাদ পান্দে দিসমিস তৌখ্রবা মতুং অতেনবা মতমদা য়ুনিভর্সিটি অসিদা ভি সী ইন-চার্জ অহুম লৈখ্রে। অদুগী মতুংদা মণিপুর হায় কোর্টনা মণিপুরগী হান্নগী চীফ সেক্রেটরি জর্নেল সিংহবু এদমিনিষ্ট্রেটর ওইনা এপোইন্ট তৌখি। অদুগা কুমজা ২০২০গী নবেম্বর ৩০ দা জর্নেল সিংহনা ফম থাদোকখ্রবা মতুং ভি সী ইন-চার্জ অনী অমগা য়ুনিভর্সিটি অসিদা মথং-মথং ইন-চার্জ ওইনা থৌ পুবীরি।

হৌখিবা কুমজা ২০২০দা এম ঐচ আর দিনা এদভর্টিজমেন্ট থোক্তুনা কুমজা ২০২০গী ওগষ্ট ১৯ অমসুং ২০দা ইন্টরভিয়ু পাঙথোকখিবা লোইখ্রবনি। অদুবু হৌজিক ফাওবা রেগ্যুলর ভি সী অমত্তা থাবীরক্তবা হায়বসি য়াম্না লাইবক থীবনি। রেগ্যুলর ভি সী অমা এপোইন্ট তৌবা হায়বসি য়ুনিভর্সিটি অসিগী মহৈরোয়শিং অমদি এদমিনিষ্ট্রেটিভ দিভেলপমেন্টকী য়াম্না মরুওই হায়বসি এ বি ভি পি মণিপুরনা খঙ্গবগা লোয়ননা অথুবা মতমদা রেগ্যুলর ভি সী অমা হাপ্পীয়ু হায়দুনা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্টতা অইবা চেরোল থাখিবনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

মীওই ৩১২ দিতেন তৌদুনা লুপা লাখ ১.৩২ খোমগৎখ্রে

ইম্ফাল, মে ১১ (ঐচএনএস) :

ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯গী পেন্দেমিক অসি মায়োক্লনবা মণিপুর লৈঙাক অমদি ষ্টেট দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটি অনীনা পুন্না লাউথোকখিবা চৎন-কাংলোনশিং ঙাক্তবা মরুওইনা য়ুমদগী থোকপদা ফেস মাস্ক উপ্তুবা অমদি মীয়াম তিনফমদা সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্তবা মীওইশিং মণিপুর পুলিসনা তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা দ্রাইভ চৎথবদা মীওই ৩১২ দিতেন তৌখ্রে।

কোভিদ-১৯গী লায়চৎ অসি মায়োক্লনবা লৈঙাক্লা লৌখৎলিবা চেকশিন থৌরাং ঙাক্তবা মীওইশিং পুলিসনা ঙসি দ্রাইভ তৌবদা ফাগৎলকখিবা মীওই ৩১২ অদু মখা তানা তৌদনবা ৱার্নিং পীরগা থাদোকখি। মখোয়দগী লুপা ১,৩২,৭৬০ ফাইন ওইনা খোমগৎখি।

পুলিস দিপার্টমেন্টনা লৌখৎলিবা চেকশিন থৌরাং অমদি লৈঙাক্কী চৎন-কাংলোন থুগায়বা মীওশিংগী মথক্তা নেসনল দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এক্ট ২০০৫গী মখাদা লোগী ওইবা থবক লৌখৎপসু য়াই হায়রি। ঙসি পুলিসনা মীওই ৩১২ দিটেন তৌখিবা মীওইশিং অদুগী মনুংদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক পুলিসনা ১৩৭, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক পুলিসনা ১, থৌবাল দিষ্ট্রিক পুলিসনা ১১৮, ককচিং দিষ্ট্রিক পুলিসনা ২২, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক পুলিসনা ২৭ অমদি চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক পুলিসনা ৭ য়াওনা দিটেন তৌখি।

পনবা য়াবদি, কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎ লাকশিন্নবা লৈঙাক্কা থল্লিবা কর্ফিয়ু থুগায়দুনা এস ও পি ঙাক্তবশিং ফাগৎপগী দ্রাইভ পুলিসনা নুমীৎ খূদিংগী চত্থরিবনি।

কন্টেনমেন্ট জোনদা লৈবা মীওইশিংদা মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, মে ১১ (ঐচএনএস):

খুন্দ্রাকপম কেন্দ্রগী কন্টেনমেন্ট জোনদা লৈরিবা অৱা-অনা তারবা মীওইশিংদা দা. কেএসঐচ কালা সিংহ, ভাইস প্রসিদেন্ট কিষান মোর্চা অমদি কনভেনর মেদিকেল সেল বি জে পি মণিপুর প্রদেশনা লেপ্তুনা চান-থক্লবা পোৎলমশিং হৱাই, আলু, অচাথাও, থুম, চিনি অমদি চা মনানচিংবা য়েন্থোকখ্রে হায়না পাঙ্গৈ য়াংদোং য়ুথ দিভলপমেন্ট এসোসিএশননা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা, পোৎলমশিং অদু পাঙ্গৈ বজারগী য়ূমথোঙ ১৭কী পি ৱাই দি এ ক্লবকী মেম্বরশিং, তাংখম মখা লৈকায়গী য়ূমথোঙ ২৩গী রিলীফ কম্মিটিগী মেম্বরশিং অমদি হরাওরৌগী য়ূমথোঙ ১৩গী ৱাই এম সীগী মেম্বরশিংদা পীখ্রে।

মখা তারকপদা দা. কালানা মীপূম খূদিংমক্লা কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোকপা ঙম্নবা এস ও পি ঙাক্লা চৎপীয়ু অমদি ভেক্সিন কাপথোকপীয়ু অদুগা কন্টেনমেন্ট জোনদা লৈরিবা মীওইশিংনা দাইবেটিস অমদি হায়পরটেন্সনগী লায়না লৈরবদি মতম চানা হীদাক চাবীয়ু অমদি লেপ্পা তৌবীগনু হায়খি। কোভিদ-১৯গী পোজিটিভ ওইরে খঙলবদি দোক্তরশিংগা তানরগা ঙন্তানা হীদাক চাবীহৌ, শ্বর হোনবা ৱারকপা ঙাইবীগনু।

কন্সটিট্যুএন্সি অসিদা কোভিদ-১৯গী অনাবশিং নোংমা নোংমগী হেনগৎলক্লি। অদুনা অথুবা মতমদা কোভিদ ক্যের সেন্টর অমা থম্বা ঙম্নবা ঐখোয় পূন্না হোৎনমিন্নসি হায়খিবগা লোয়ননা ক্লবকী মেম্বরশিংনা দা. কালাগী তৌবীমলগীদমক্তা থাগৎপসু ফোঙদোকখি।

অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মে ১১ (ঐচএনএস):

পুংদোংবম য়ুথ ফিজিকেল ক্লবকী ফাউন্দর মেম্বর ওইরম্বদা নত্তনা লমজেল্লোয় অমসু ওইরিবা ইরুংবম ইবোচানা খঙহৌদনা লৈখিদবদা ক্লব অসিগী ওফিসতা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা ক্লব অসিগী মেম্বরশিংনা মিনিট অনী তুমীন্না লেপ্তুনা ইরুংবম ইবোচানা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোকখি। মহাক্লা হিংলিঙৈদা ক্লব অসিগী অমদি ষ্টেট অসিগী মিংচৎ পুরকপদা নত্তনা কুমজা ১৯৮২দা জপানদা পাঙথোকপা ৱর্ল্ড মাষ্টর ভেটরান মরাথোন রেষ্টতা ইন্দিয়াগী মহুৎ শীন্দুনা তরেৎশুবা পোজিসন লৌরক্তুনা লৈবাক্কী মিংচৎ পুরকখিবা মীওইনি। লৈখিদ্রবগী থৱায়না মপুগী লৈকোলদা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবা থৌনিজরি। লোয়ননা ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়না ক্লব অসিগী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোলনা ফোঙদোরক্লি।

তোঙান-তোঙানবা লূপশিংনা অৱাবা ফোঙদোক্লরক্লি

ইম্ফাল, মে ১১ (ঐচএনএস):

শক্লাইরবা অইবা কেশো ইরেংবানা লৈখিদবদা তোঙান তোঙানবা লূপশিংনা অৱাবা ফোঙদোক্লরক্লি।

অশৈ ৱাফোঙ য়োকখৎ লূপ, ইতম নুঙ্গৈইগী সেক্রেটরি য়েন্দ্রেম্বম রনধির কুমারনা থাদোরকপা অৱাবা ফোঙবগী চেরোল অমনা হায়, অৱাং পোৎশংবমদগী শক্লাইরবা অইবা কেশো ইরেংবানা খঙহৌদনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোকচবগা লোয়ননা অইবগী থৱায়না তাইবং শেম্বা মপুগী লৈকোলদা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবা অশৈ ৱাফোঙ য়োকখৎ লূপনা থৌনিজরি। লোয়ননা লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি। শক্লাইরবা অইবা অসিনা কুমজা ২০১৬কী এপ্রিল ১৭তা পাঙথোকপা লূপ অসিগী মপোক কুমওনদা অথোইবা লেংবীরকপা ওইবীদুনা মতম পুন্নদা লূপ অসিগী থবক থৌরম কয়াদা পূক্কিং থৌগৎপীরম্মী। শৈরেং, লমকোয় ৱারী অমদি ৱারীমচা কয়া ইবীরম্বা শক্লাইরবা অইবা অসিনা লৈখিদবা অসি মণিপুরী খোরিরোলদা মেনশিনবা ঙমদ্রবা অহাঙবা অমা ওইহৌরগনি হায়নসু চেরোলদুনা ফোঙদোরক্লি।

কংলৈপাক লোয়নশিল্লোন অপূনবা মরুপ (কলম)গী জেনরেল সেক্রেটরি য়মুনা ময়েংবমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, শক্লাইরবা অইবা অমসুং ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালগী ঈশৈ ময়েক ইবা কেশো ইরেংবানা লৈখিদবদা কংলৈপাক লোয়নশিল্লোন অপূনবা মরুপনা অৱাবা ফোঙদোকচরি।

লৈখিদ্রবা কেশো ইরেংবা লমদম অসিগী অইবশিংগী লূপ কয়াগা লোয়ননা ইবগী লমদা অচৌবা থৌদাং কয়া লৌবীরম্বা অদু মতম পুম্নমক্তা নীংশিংদুনা লৈহৌরগনি। অইবা অসিনা লৈখিদবদা লোয়নশিল্লোনগী ফম্বাক্তা মেনশিনবা ঙম্লরোইদবা অচৌবা অহাঙবা অমা ওইহৌরগনি। লৈখিদ্রবগী থৱায়না মপুগী লৈকোলদা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবসু থৌনিজরি। লোয়ননা ইমাখোল অমদি ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি হায়না চেরোলদুনা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, মেঘালয়ানসু শক্লাইরবা অইবা অমসুং এ আই আর ইম্ফালনা এপ্রুভ তৌরবা লিরিসিস কেশো ইরেংবানা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, মেঘালয়াগী ডা. কে চিরোমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ঙসি ওনলাইনগী খুথাংদা অৱাবা ফোঙবগী মীফমদা শরুক য়াখিবশিংনা মিনিট অনী তুমীন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা কেশো ইরেংবাগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎখি হায়রি।

খোরিরোল শন্দোক লূপকী সেক্রেটরি ভোরোত সনসমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মণিপুরী খোরিরোলগী তাইবংদা অচৌবা মফম অমা কল্লম্বা, খোরিরোলগী ঈহৌ শাগৎপদা শীংথানিংঙাই ওইনা থৌদাং লৌবীরম্বা কেশো ইরেংবানা লৈখিদবদা খোরিরোল শন্দোক লূপ, ৱাংজিংনা অৱাবা ফোঙদোকচরি। ওজা অসিনা লৈখিদবগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি।

য়াইরিপোক থম্বালনু সাহিত্য মরুপ কম লাইব্রেরী মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি নিরঞ্জন উশমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, অইবা কেশো ইরেংবানা লৈখিদবদা য়াইরিপোক থম্বালনু সাহিত্য মরুপ কম লাইব্রেরীগী এগজিক্যুটিভ কম্মিটিগী ওইবা মীটিন অমা লূপকী চীফ এদভাইজর রঘুবির থিয়ামগী য়ুমদা ইবোতোম্বী খুমনচানা চ্যের লৌদুনা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা মিনিট অনী তুমীন্না লেপ্তুনা থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোক্তুনা লৈখিদ্রবগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎখি। লৈখিদ্রবগী থৱায়না তাইবং মপুগী মফমদা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবা থৌনিখিবগা লোয়ননা ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

মালেম অইকোলগী প্রসিদেন্ট দল্লিয়ু মহেন্দ্রনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ইমাখোলগী ফাউন্দর সেক্রেটরিসু ওইরম্বা কেশো ইরেংবানা লৈখিদবদা মালেম অইকোলগী মেম্বরশিংনসু অৱাবা ফোঙদোকচরি। লৈখিদ্রবা অইবা অসিগী থৱায়না তাইবং মপুগী লৈকোলদা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবসু থৌনিজখি।

শৈহেক শৈরেং শৈপান শেমগৎ লূপ (শৈপাল)গী সেক্রেটরি কে সী গীতানা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, শক্লাইরবা অইবা কেশো ইরেংবানা লৈখিদবা অসি মণিপুরী সাহিত্যগী অচৌবা মাঙজবা অমা ওইহৌরে। অইবা অসিনা লৈখিদবদা শৈপালগী প্রসিদেন্ট ডা. অথোকপম খোলচন্দ্রনা লুচিংদুনা মেম্বরশিংনা ওনলাইনগী খুথাংদা লৈখিদ্রবগী থৱায়না মপুগী মশাইগোলদা ঈংনা চিক্লা তীল্লুনবা থৌনিখিবগা লোয়ননা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্দিয়াদা পূং ২৪গী মনুংদা অনৌবা কেস লাখ ৩.২৯ থেংনখ্রে

ন্যু দেল্লী, মে ১১ (এজেন্সী):

ইন্দিয়াদা হৌখিবা পূং ২৪ অসিদা কোভিদ-১৯গী অনৌবা কেস ৩,২৯,৯৪২ থেংনদুনা পোজিটিভ কেস মশিং শীংথানিংঙাই ওইনা হন্থরকপা উরে অমসুং কোভিদ পেসেন্ট ৩,৮৭৩ শিখ্রে হায়না য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ৱেলফ্যেরগী দেটানা উৎখ্রে।

ইরাই নুমিত্তা লৈবাক অসিদা নোংমদা থেংনবা খ্বাইদগী য়াম্বা কোভিদ কেস ওইনা পূন্না কেস ৪,১৪,১৮৮ দিটেক্ট তৌখি।

হৌখিবা নুমিৎ ১৯নি অসিগী মনুংদা নুমিৎ ১৩নি চুপ্পা ইন্দিয়াগী কোভিদ কেস নুমিৎ খূদিংগী লাখ ৩ হেনখি অমসুং লায়না অসিনা শিহনখিবা মী মশিং ৩,০০০ হেনখি।

ইন্দিয়াগী অপূনবা কোভিদ-১৯ কেস মশিং হৌজিক ২,২৯,৯২,৫১৭ শুরে অমসুং এক্টিভ কেস মশিংনা ৩৭,১৫,২২১ শুরে। হৌজিক ফাওবদা লৈবাক অসিদা লায়না অসিনা শিহনখিবা মী মশিং পূন্না ২,৪৯,৯৯২ শুরে।

হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী মতুংইন্না হৌখিবা পূং ২৪ অসিদা পুন্না মীওই ৩,৫৬,০৮২ নাবা ফদুনা দিসচার্জ তৌখ্রে। হৌজিক ফাওবদা মীওই ১,৯০,২৭,৩০৪ কোভিদতগী ফরে হায়রি।

লনচেনবদা কে এন টি এলনা লুপা ২৭,০০০ মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, মে ১১ (ঐচ এন এস):

ৱাংখেম এ সীগী মনুং চন্না লৈবা য়াইরিপোক বিষ্ণুনহা অৱাং লৈকায়দগী চহী নৌরিবা থৌনাওজম লনচেনবা সেভর কম্বাইন্দ ইমুনো দেফিসেন্সি (এস সী আই দি) লায়ননা কন্না নাবদগী হৌগৎ কাংখৎপা ঙমদনা লৈরিবা মহাক্কী অপোকপদা কে এন টি এল অমদি মীয়াম্না তেংবাংবীরকপা শেনফম লুপা ২৭,০০০ তেংবাংখ্রে।

মরাইবকথিরবা থৌনাওজম লনচেনবগী অপোকপা অমসুং অপোকপীসু পীক্লিবা মচাদা মুন্না য়েংজবা নত্তনা অতোপ্পা উপায় অমত্তা লৈতনা খুৎ তুংবুন্নরগা লৈহৌরি। ফেমিলি অসিগী অৱাবদসু খরদা ওইরবসু মতেং ওইগনি খন্দুনা ঙসি কংলৈবাক তেংবাং লূপ (কে এন টি এল) মণিপুরগী মেম্বরশিং অমসুং মীয়াম্না পাংবীরকপা শেনফম লুপা ২৭,০০০ লনচেনবগী অপোকপীদা কে এন টি এল মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি সাইখোম এ বি মৈতৈনা খূৎশিন্নখ্রে।

ইমুং অসিগী অৱাবদা মখা তানা কে এন টি এল মণিপুরনা মতেং পাংখিগনি। মীয়াম্নসু লাইবকথিরবা লনচেনবগী পুন্সিবু কনবদা মতেং পাংবিয়ু হায়রি।

মীওই ৪৭৭ ফ্লাইট ৬না ইম্ফালদা পুশিল্লকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১১ (ঐচএনএস) :

লমদম অসিদা কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ৱেভ কনখৎলকপগা লোয়ননা মীশি-মীনা নোংমা-নোংমগী হেনগৎলক্লিঙৈ চৈরেক অসিদা মণিপুরগী মপান লমদগী তোঙান তোঙানবা ফ্লাইট তরক্লা ঙসি মীওই ৪৭৭ রোম পুদুনা ইম্ফালগী বির তিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখ্রে।

ঙসি অয়ূক পূং ৯.০৫ রোম তাবা মতমদা ইন্দিগো ৬ঈ/২২৫১ ফ্লাইট অসিনা দেল্লী অমদি গুৱাহাটিদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ৮০রোম পুদুনা ইম্ফালদা থুংলখি। অয়ূক্কী পূং ১০.০৬রোম তাবদনা ইন্দিগো ৬ঈ/৬১৮১ ফ্লাইট অসিনা কোলকটাদা পল্লম্বা মীওই ৫৫ পুদুনা ইম্ফালদা থুংলখি।

অয়ূক্কী পূং ১০.৪৫রোম তাবদনা এয়র এসিয়া আই৫/৭৮৩ ফ্লাইট অসিনা দেল্লী অমদি গুৱাহাটিদা পল্লম্বা মীওই ৪৬ পুদুনা ইম্ফালদা থুংলখি। অয়ূক্কী পূং ১১.৫১ রোম তাবদনা এয়র ইন্দিয়া ৯আই /৭৪১ ফ্লাইট অসিনা কোলকটা, গুৱাহাটি অমদি দিমাপুরদা পল্লম্বা মীওই ৪ পুদুনা ইম্ফালদা থুংলখি।

ঙসি নুমিৎয়ুংবা পূং ১.১০ রোম তাবদনা এয়র ইন্দিয়া এ আই ৮৮৯ ফ্লাইট অসিনা দেল্লী অমদি গুৱাহাটিদা পল্লম্বা মীওই ১৫২ পুদুনা ইম্ফালদা থুংলখি অমদি নুংথিল পূং ২.২০ রোম তাবদনা ইন্দিগো ৬ঈ/৬৩৫৮ ফ্লাইট অসিনা কোলকটাদা পল্লম্বা মীওই ১৪০ পুদুনা ইম্ফালদা থুংলখি।

মরক অসিদা, ঙসি ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদা কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ৱেভ কনখৎলক্লিবা ষ্টেটশিংদগী লাকপা য়াওনা ঙসি পূন্না ইম্ফাল এয়রপোর্টতা মীওই ৪ কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌনবা সেম্পল লৌখ্রে।

বর কৈন্যা য়াওনা ইমুং-মনুংগী মীওইশিং নেগেটিভ ওইরে

ইম্ফাল, মে ১১ (ঐচএনএস) :

হৌখিবা মে ৯দা লুহোংখিবা থৌবাল ৱাংমতাবা হৱাইবম লৈরক্তগী বর ওইবা মীওই অমা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপদগী লুহোংবদা য়াওবা বর, কৈন্যা, বর শেন্নবা অমদি ইমুং-মনুংগী মীওইশিং টেষ্ট তৌবদা নেগেটিভ ওইরে হায়রি।

হীরমসিগা মরী লৈননা ফংবা পাউনা হায়, বর ওইরিবা এম বি বি এস তম্বা লোইরগা হৌজিক হৌজিক ইন্টর্ন তৌরিবা ডোক্তর অদুগা কৈন্যা অদুগা অহল-লমন্না লেপ্নখিবা মতুংইন্না হৌখিবা মে ৯দা কোভিদকী এস ও পি ঙাক্লা লুহোংখি। বর অদু লুহোংগদবা নুমীৎ হুম্নীরোমগী মমাঙদা টেষ্ট তৌখিবনি। অদুগা লুহোংবা নুমীৎ অদুগী নুংথিলদা থাদোরকপা কোভিদ পোজিটিভ ওইবশিংগী মিংগী লিষ্টতা য়াওরকখিবনি। মদুদগী লুহোংবা মতুংদা অমুক বর অদু অমুক হন্না টেষ্ট তৌবদা নেগেটিভ ওইবা থেংনখিবনি। সোসল মীদিয়াদা লুহোংখিবা বর পোজিটিভ ওইরে হায়না শন্দোরকপদগী ঙসি অয়ুক মণিপুর লৈঙাক্কী দিরেক্টোরেট ওফ হেল্থ সর্ভিসেকী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট হেল্থ সোসাইটি থৌবালদা লুহোংখিবা কৈন্যা, বর শেন্নবা অমদি ইমুং-মনুংগী মীওইশিংসু কোভিদকী টেষ্ট তৌরুবদা নেগেটিভ ওইবা থেংনখিবনি হায়রি।

GOVERNMENT OF MANIPUR
DIRECTORATE OF SOCIAL WELFARE

ꯃꯤꯌꯥꯝꯒꯤ ꯈꯪꯍꯟꯅꯕ / PUBLIC NOTICE

Imphal the 10th May 2021

No.1/Covid CCIs/SW-20: It is hereby notified for information of concerned that the Department of Social Welfare Would like to request the general public to remain vigilant and contact Childline (Toll free number: 1098) or the District Child Protection Units (DCPUs) or Child Welfare Committees (CWCs) of your respective district if any child has been rendered orphan due to COVID-19 or both his/her parents are affected by COVID and there is no one to take care of him/her. Such children in distress will be provided immediate shelter and rehabilitation under the provisions of Integrated Child Protection Services (ICPS) Scheme of the Department and under the existing Juvenile Justice set up. The list of "Fit Facilities" for such children in distress is given below:

Sl.	District	Name & Address of Child Care Institution(CCI)	Boys/ Girls	Contact No.
1	Imphal East	MMKS, Dewlahland	Boys	7005351791
		Chanura UNICAM Khurai Laishram Leikai	Girls	9856466826
2	Imphal West	Destitute Children Home for Boys Tera Meitei Pherup, Tera Bazar	Boys	9856854107
		RWCDA(G) **MI Home** Toubungkhok	Girls	8415017481
3	Thoubal	Government Home, Charangpat Maning Leikai	Boys	8787754764
		WIGC Children Home Thoubal Wangmataba	Girls	7005507785
4	Kakching	Morning Star Children Home for boys ,Kakching Panjao	Boys	8731059764
		Thambal Children Home for Girls Arong Nongmaikhong	Girls	8974151300
5	Bishnupur	New Life Foundation Glory Moirang Thamnapokpi	Boys	9862948678
		Nura Poireikon UDCS **MI Home** Bishnupur Ward No.4	Girls	8730037794
6	Jiribam	EDO Patchao Maning Leikai	Boys	9366052330
		Lairembi Shanglen Children Home HESI, Chingdong Leikai	Girls	8837445056
7	Senapati	CCM Kathikho Karong	Boys	9612320132
		MANEDA, Monday Market	Girls	9862429007
8	Kangpokpi	Kanglatombi Home,Kanglatombi	Boys	8974335643
		HESI Thangkanphai,Saikul	Girls	8837445056
9	Chandel	Unique Children Home Revival Foundation,Salemthar(ST)	Boys	9856031296
		Chon's Memorial Blessed Home ,RUDS, Christian Village	Girls	7005257273
10	Tengnoupal	HRRUO Open Shelter Moreh Henoumakhong Leikai	Boys	8837395242
		Epam Lamdam Open Shelter, CDAC Moreh Bazar Talli Road	Girls	7005401720
11	Tamenlong	IWCF Jaithau, Hq Pansy Vale Ward No.1	Boys	9612712136
		IWCF Zauzian,Pansy Vale Ward No.1	Girls	8259895250
12	Noney	IPDS Grace Home Boys Longmai II	Boys	8974488915
		IPDS Dorcus Home Girls, Noney Hq	Girls	9612978889
13	Churachandpur	Destitute Children Home Mercy Home, Thingkangphai	Boys	9612483425
		ChaCha Nehru Bal Bhavan ,Share New Mata	Girls	7005442946
14	Pherzawl	REFOUND Children Home for Boys Pherzawl Hq	Boys	9856031296
		ChaCha Nehru Bal Bhavan ,Share New Mata,Ccpur	Girls	7005442946
15	Ukhrul & Kamjong	Destitute Home ,Nigrin Club Aluntang	Boys	9874891082
16		Eden Resource Children Home for Girls Tallui Junction	Girls	8258898856

Sd/-
Ngangom Uttam Singh
Director (Social Welfare)
Manipur

HL-B/6967/12, 13